ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ
SANALEIBAK
PROGRESSIVE JOURNALISM
সনালৈবাক
চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে
www.sanaleibak.in



কোভিদ–১৯ গা মরী লৈননা চখরিবা লোকদাউন থুগায়দুনা লম্বীদা থোরকপশিং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ফারগা লম্পাকময়াইদা ফিজিকেল দিষ্টেন্সকী কাঙলোন ঙাক্তুনা পরেং শানা লেপহনবগী শক্তম অমা



কোভিদ–১৯ গী লোকদাউননা মরম ওইদুনা অৱাবা মায়োক্লরিবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মীয়ামদা মতেং পাঙনবগীদমক য়ুনাক্কো গ্রুপনা তঙাইফদবা পোৎলমশিং দি সি বিষ্ণুপুরগী ফুদ বেঙ্কতা চান–থক্লবা পোৎলমশিং কৎখিবা



কৈশামথোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী ময়াই ফাওদুনা চেল্লিবা ৱাইসেল মরিলগী অমোৎপশিং হেল্থ অমসুং ফেমিলি ৱেলফেয়ার মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারগী মীৎয়েং মখাদা শেংদোকখিবা

Volume No: 44 Issue: 147 | IMPHAL WEDNESDAY 22 APRIL 2020 | য়ুমশকৈশা, শজিবুগী ৩০ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 Price:Rs 3.60

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

ফনা য়েংঙু, ফনা খল্লু, অফবা তৌ, পূন্নমক ফগনি

**কোভিদ– মালেমগী মশীং**
অপূনবা কেস – ২৫,২৭,৯৪৭
শিবগী মশীং – ১,৭৪,৪৫৫
ফগৎলকপা – ৬,৬৫,২২০

**ইন্দিয়া** (নুমিদাং পুং ১১ ফাওবা)
অপূনবা কেস – ১৮,৯৮৫
শিবগী মশীং – ৬০৩
ফগৎলকপা – ৩,২৭৩

**য়ু এস এ** (নুমিদাং পুং ১১ ফাওবা)
অপূনবা কেস – ৮,০২,১৫৯
শিবগী মশীং – ৪৩,৪৯৫
ফগৎলকপা – ৭২,৯৮৫

**স্পেন** (নুমিদাং পুং ১১ ফাওবা)
অপূনবা কেস – ২,০৪,১৭৮
শিবগী মশীং – ২১,২৮২
ফগৎলকপা – ৮১,৫১৪

**ইতালি** (নুমিদাং পুং ১১ ফাওবা)
অপূনবা কেস – ১,৮৩,৯৫৭
শিবগী মশীং – ২৪,৬৪৮
ফগৎলকপা – ৫১,৬০০

**ফ্রান্স** (নুমিদাং পুং ১১ ফাওবা)
অপূনবা কেস – ১,৫৫,৩৮৩
শিবগী মশীং – ২০,২৬৫
ফগৎলকপা – ৩৭,৪০৯

**জর্মনি** (নুমিদাং পুং ১১ ফাওবা)
অপূনবা কেস – ১,৪৭,৯৫৮
শিবগী মশীং – ৪,৯৩৪
ফগৎলকপা – ৯৫,২০০

**য়ু কে** (নুমিদাং পুং ১১ ফাওবা)
অপূনবা কেস – ১,২৯,০৪৪
শিবগী মশীং – ১৭,৩৩৭
ফগৎলকপা – এন এ

**টর্কি** (নুমিদাং পুং ১১ ফাওবা)
অপূনবা কেস – ৯৫,৫৯১
শিবগী মশীং – ২,২৫৯
ফগৎলকপা – ১৪,৯১৮

**পেট্রোল, ডিজলগী মমল**
পেট্রোল লিটরদা – লুপা ৬৮.১৮
ডিজল লিটরদা – লুপা ৬০.৮৫

**অঈং–অশা**
খ্বাইদগী শাবগী চাং ঃ ৩১.৯১° সি
খ্বাইদগী ঈংবগী চাং ঃ ১৭.৭৪° সি
নোংজুগী চাং ঃ ২.৪ এম এম
নুমিৎ থোকপা ঃ অয়ুক পুং–৪.৪৬
নুমিৎ তাবা ঃ নুংথিল পুং–৫.৩৯

**লোইরেদনা**

নচানুপাদু স্কুলদগী ওনলাইনদা লাইরিক তাকপা হৌরনি হায়...!



নহানখে স্মার্ট ফোন পায়হনবা য়াদে হায়রম্দু হৌজিক্তি কমদৌ তারিগে!

**হেক্তা হায়জিনবা**

### পূন্নীং ৱারকপা

ৱারুগনু পূন্নীং
ফংদবা হায়বা লৈরোই
কোরোনানা লাংদুনসু
লোকদাউন তৌদুনসু
ৱারুগনু পূন্নীং
ফোঙদবগী ৱানি
মমল হেনবগী ৱানি
হোম দেলিভরিদা ফংবনি
প্লাষ্টিক ময়োম কয়ানো
অঙৌবরা অতাওবরা
জর্দা মতপ কয়ানো
টেলিফোনদা তৌরকউ
পৈশাদা রেদি তৌ
য়ূম য়ূমদা থিনবনি
চেঙ চাক্কীদি খঙদরে
নিশাগী ৱাদি ফংবনি
মফম খুদিং ফংবনি
ফংদবা হায়বা লৈরোই
কোরোনানা লাংদুনসু
লোকদাউন তৌদুনসু
ৱারুগনু পূন্নীং

# মোনিটরিং কম্মিটি: মীপুম খুদিংমক্তা শোয়দনা চেঙ কে জি ৫ / ৫ ফংহনগদবনি

## এ এ ৱাইগী কার্দ পায়বা, তলব চাবা ইমুংদা চেঙ ১০ / ১০ দগী হেন্না পীদ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (এস এন এস)ঃ কোভিদ–১৯গী লায়চৎনা অৱাবা মায়োক্লরিবা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা চহী অসিগী এপ্রিল, মে অমসুং জুন থাদা লেন্না ফংহনগদবা প্রধান মন্ত্রি গরিব কল্যান যোজনা (পি এম জি কে এ ৱাই) গী মখাদা মীওই অমমমদা চেঙ কে জি ৫ /৫ দি শোয়দনা ফংহনগদবনি হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশ, কোভিদ–১৯ কোন্টেন্ট টিম ( মোনিটরিং) গী কনভেনর কেঐচ জিবোননা ফোঙদোকখ্রে।



ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা পার্টিগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উন্নবদা মহাক্না হায়খি, পি এম জি কে এ ৱাইগী মখাদা চেঙ অসি দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্কী দিপ্যুটি কম্মিস্নারগী খূখাংদা মীয়ামদা ফংহগদবনি। হান্না নেস্নেল ফুদ সেক্যুরিটি এক্টকী মখাদা লায়রবা মীয়ামদা পীরম্বা পাওরিটি রাইস অদুনা এম এল এশিংনা রেস্নিং এজেন্টশিংগী খূখাংদা য়েলহনবনি। অদুগা প্রাইম মিনিষ্টরগী চেঙ অসিনা পোলিটিকেলগী ওইবা কনাগুম্বগী খুদোংচাবা লৌহন্দনবা দেপ্যুটি কম্মিস্নারশিংগী খূখাংদা মীপূম খুদিংমক্তা ফংহনগদবনি।

মসিদা নত্তনা গাইদলাইনগী মতুং ইন্না লোকেল লোকেল অদুদা ফ্যোর প্রাইস সোপশিং মথৌ তৌহন্নবা হায়রবসু ষ্টেট অসিদদি মসি মমিংতগী ওইনা লৈ। দিসিশিংগী খুখাংদা লৈঙাক্লা ওর্দর থোক্তুনা চেঙ য়েন্থোকপদা লৈকাইগী মৈরা পায়বী, ক্লবকী মীহুৎশিং, সোসিয়েল এক্তিভিষ্টশিং য়াওরগা য়েন্থোক্লবা খঙহনখিবসু লৈখ্রে।

ফজখ্রবা কাঙলোন অসি থবক্তা ওন্থোরকপদা কনাগুম্বনা অরানবা খরা তৌরে হায়বা তারে। চেঙ শুনা ফংদবগী ৱাফম লাক্লে। মরম অদুনা লোকেল এম এল এশিং, মরী লৈনবা দি সিশিংনা পি এমগী প্রোগ্রাম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা পীরিবা গাইদলাইন অসি মওং তানা ইন্নবা থবক লৌখৎহন্নিংই।

লৈবাক্কী চীরবা তানফম অসিদা পোলিটিকেলাইজ তৌবগী মওংদা চথরকপা অসি তৌহন্নিংদে। মসি লাইবক থিবনি। অৱা অনা তারিবা মতম অসিদা পার্টিগী খেন্নবা থমদনা কোভিদ–১৯ দগী লমদম অসি কন্নবা সোসিয়েল দিষ্টেন্সিং নিংথিনা ঙাক্লা চত্তুনা লোকেল ভোলুন্টিয়ারশিংনা য়েনবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তারি।

মরক অসিদা, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মফম খরদা এ এ ৱাইগী কার্দ পায়বা খম থেংনা লায়রবা, পাম্বৈ লৈজদ্রবা ইমুং অমমমদা শুপ্নতগী চেঙ কে জি ১০ / ১০ খক পীরে।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, মসিগীসু মথক্তা মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা থবক তৌরিবা ইমপ্লোয়ীশিংগী ইমুং মনুংদসু শুপ্নতগী চেঙ কে জি ১০ দগী হেন্না পীদ্রে। অদুগা পাইওরিটি রাইস হান্না ফংলম্বা অমসুং ফংলমদবশিংদা য়ূমকোক অমদা মীওই মঙাখক লৈ হায়না পারগা চেঙ কে জি ২০ দগী হেন্না পীদ্রে।

মীয়ামগী ৱাকৎ অসিনা হায়, প্রাইম মিনিষ্টরগী চেঙ অসি এ এ ৱাইগী ইমুং অমদা কে জি ১০ পীয়ু হায়বা লৈতে। ইমুং অদুদা লৈরিবা মীওই অমমমদা চেঙ কে জি ৫ / ৫ পারগা চহী ৫ গী মথক্তা লৈবা মীপূম খুদিংদা ফংহনগদবনি। গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীশিংসু প্রাইম মিনিষ্টরগী চেঙ অসিদি মী মশীংদা পারগা *...মখা লমায় ৩দা...*

...মখা লমায় ৩দা...

মতীক–ময়াই চেন্দবা মাস্ক সপ্লাই তৌবগী ৱাথোক

# মেদিকেল কিট সপ্লাই তৌবদা চেন্নবশিং ঙাকপীরোই: সি এম

ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (এস এন এস)ঃ কোভিদ–১৯ থেংননবা হোৎনবদা ফ্রন্টলাইনদা মাঙজিল থানা মথৌ তৌরিবা ডাক্তরশিং, নর্সশিং, হেল্থ ৱার্করশিং, সফাই কর্ম্মচারিশিংনা শিজিন্নগদবা মেদিকেল কিটশিংদা সব ষ্টেন্দার্দ ওইবা পোৎলম সপ্লাই তৌরম্বশিং কৈদৌঙেদা ঙাকপীবা ঙম্লোই হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।



চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটেরিয়েটতা ঙসি পাঙথোকখিবা লোক সভাগী আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম পি, ডা লোরহো ফোজেগী এম পি লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী মখাদা লৈবা আই সি এম আর কিটশিং তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী চীফ মেদিকেল ওফিসারশিংদা খূৎশিন্নবগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, হৌজিক লৈরিবা ইশু অসি মীওইবগী পুন্সিগা মরী লৈনবা ৱাফম ওইবনা লৈঙাক্লা মসি য়াম্না হকচিন্না লৌই। ফ্রন্টলাইন ৱারিয়রশিং অসিগী মনুংদা অমা শোকপা মতমদা লোইনা শোক্কদৌরিবনি হায়খি। হৌজিক লাঞ্জং অসি হৌবদা ঙায়রিবনি মসি সিষ্টেম অমগী মখাদা থেংনবগী তঙাইফদবা লৈরি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়, হেল্থ ৱার্করশিং ডাক্তরশিং, নর্সশিং অমদি পেরামেদিকেল ষ্টাফশিং অসিনা কোভিদ–১৯ থেংনবদা লৌরিবা থৌদাং অসিবু লৈঙাক্লা থাগৎলি হায়খি। নখোয়গীদমক লৈঙাক্লা মতম চুপ্পদা খন্দুনা লৈরি। মখোয় অমা শোকপা মতমদা লমদম অসি শোক্কদৌবা মরম্না মপান্দগী পোৎলমশিং পুশিল্লকপা মতমদা মদু লৈঙাক্লা চেকশিন্দবা য়াদে।

মণিপুরগী ওইনা পোজিটিভ কেস অনী লৈরম্বদগী মায় পাক্লা লায়েংদুনা কোভিদ ১৯গী অনাবা লৈত্রবা ষ্টেট অমা ওইবা ঙম্লে। অদুবু পোজিটিভ কেস অমত্তা লৈত্রে হায়দুনা ঐখোয় লায়থোক্লা লৈবা য়াবা মতম অদু নত্তে।

ঐখোয় পুম্নমক্না কোভিদ–১৯ থেংননবা মতম চুপ্পদা শেম শাদুনা লৈবা তাই লোয়ননা ভাইরস অসি ঐখোয়গী হকচাংদা চংহন্দনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

মহাক্না হায়, ভাইরস অসিদগী মীওইববু কন্নবা হিদাক পুথোক্লিবা ফাওবদি ঐখোয় চেকশিনবগী তঙাইফদবা লৈরি। ভাইরস অসিদগী ঙাকথোকসি হায়রবদি মীয়াম অমগা অমগা নকশিন্ননা শোক্ক শম্নবা তোকপা তাই, সোসিয়েল দিষ্টেন্সিং তৌবা তাই, ডাক্তরশিংনা পি পি ইশিং, মাস্কশিং নিংথিনা শিজিন্নদুনা ভাইরস অসি চংহন্দনবা হোৎনবা তাই লোয়ননা শিজিন্নবা লোইরবা পোৎলমশিং অদু মফম চানা মাঙহনবা তাই হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়, মাও, জিরিবাম, মোরে, চুরাচান্দপুরগী সি এম ওশিংনা মীকুপ নাহুম শিংবগী তঙাইফদবা লৈরি। মাও অসিসু হৌজিক ভাইরস অসি লৈরিবা নাগালেন্দনা থংনরিবনি। মপান্দগী চংশিল্লকপা মীওইশিং বোদি টেম্পরেচরশিং নিংথিনা য়েংবা, ভাইরস অসিগী লায়ওং য়াওব্রা হায়বদু কুপ্পা য়েংবা চংই। মরমদি মাও অসি য়াম্না চেকশিন্নিঙাই ওইবা মফম অমনি।

জিরিবাম অসিসু ষ্টেট অসিগী য়াম্না চেকশিন্নিঙাই ওইবা মফমশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবনি। *মখা লমায় ৩দা...*

# অব্দুর রহমন হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (এস এন এস)ঃ মণিপুরগী অনীশুবা কোভিদ–১৯ পোজিটিভ ওইবদগী রিমস হোস্পিটালদা লায়কন্নরকখিবা লিলোংদগী এম ভি অব্দুর রহমন ঙসি হোস্পিটালদগী ময়ূমদা পুথখ্রে। মহাক মখা তানা য়ূমদা হোম ক্বারেন্টিন তৌখিগনি। অহানবা পোজিটিভ ওইখিবী থাংমৈবন্দদগী ভিমি নিংঙোম্বমগী অরোইবা টেষ্ট লাক্লিবা এপ্রিল ২৬ নৎত্রগা ২৭ তা পাঙথোক্লবা প্লান তৌরি হায়রি।



মণিপুরদা কোভিদ–১৯ পোজিটিভ ওইখিবা মীওই অনীগী মনুংদা অমা ওইরিবা দিল্লিগী নিজাম্মুদ্দিন মর্কজদগী হনলকখিবা এম ভি অব্দুর রহমন হৌখিবা এপ্রিল ১৮ দা টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইখিবনি লোয়ননা পুং ২৪গী মতুংদা তৌখিবা টেষ্টতসু মহাক নেগেটিভ ওইখিবনি।

হৌখিবা মার্চ ৩১ দগী রিমস হোস্পিটালগী আইসোলেসন ৱার্দতা লৈরকখিবা অব্দুর রহমন এপ্রিল ১ দা টেষ্ট তৌবদা কোভিদ–১৯ পোজিটিভ ওইখিবনি। মদুদগী মহাকপু হোস্পিটাল অসিদা লায়কন্নদুনা লাক্লবা মতুং *...মখা লমায় ৩দা...*

# কোভিদ–১৯ টেষ্টিং কিটস শীজিন্নবা হৌদনবা ষ্টেট খুদিংমক্তা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২১ (এস এন এস) ঃ এন্টিবোদি শীজিন্নদুনা কোভিদ–১৯ লায়চৎ টেষ্ট তৌননবা ষ্টেটশিংদা য়েন্থোকখ্রবা চাইনাদগী থারকখিবা টেষ্টিং কিটশিং অদু নুমিৎ নীনি ফাওবা শীজিন্নবা হৌদনবা ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ মেডিকেল রিসর্চনা লৈবাক অসিগী ষ্টেট খুদিংমক্তা খঙহনখ্রে।

এজেন্সিগী পাউনা হায়, টেষ্টিং কিটশিং অদুনা পীবা রিজল্টসতা অশোয়বা–অরানবা য়াওরম্বা য়াবগী চিংনবা লৈবা মরম্না হীরম অদুগী মতাংদা অখঙ–অহৈশিংনা য়েংশিন্দুনা চপ চাবা অমা খঙহল্লক্লিবা কোভিদ–১৯ রেপিদ টেষ্ট কিটস অদু নুমিৎ নীনি ফাওবা শীজিন্নবা হৌখিদনবা হায়খিবনি।

কোভিদ–১৯ লায়চৎ টেষ্ট তৌরিবা আর টি–পি সি আর হায়রিবা মীওইবগী খনাও অমদি নাতোনগী স্বাবস লৌদুনা টেষ্ট মখল অদু পাঙথোকপদা মতম কুইনা চঙই। মরম অদুনা টেষ্ট তৌবগী খোঙজেল য়াংখৎহন্নবা অমদি হেন্না খুদোংচাহন্নবগী পান্দমদা হায়রিবা কোভিদ–১৯ রেপিদ টেষ্ট কিটস লাক্ষ ৫ হেন্না পুশিল্লকখিবনি। টেষ্ট কিটশিং অদু মরু ওইনা লায়চৎ অদুনা নাবা মীগী মশীং কা হেন্না লৈবা ষ্টেটশিং য়াওনা ষ্টেট খুদিংমক্তা *...মখা লমায় ৩দা...*

# এম য়ুগী কেমিষ্ট্রি দিপার্টমেন্টদা মৈ চাকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (এস এন এস)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কেমিষ্ট্রি দিপার্টমেন্টদা খূৎশু–খূৎলায় থম্বা কা ঙরাং নুংথিল পুং ৩.৩০ রোমদা তাবা মতমদা মৈ চাকখ্রে, মণিপুর ফয়ার সার্ভিসকী টিম মতম চানা লাক্তুনা মৈ কনবদগী কা হেন্না অমাং অতা থোকহৌদ্রে হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউদা, মৈ চাক্লিবা কা অদু কোভিদ ১৯ লাইচৎকা মরী লৈননা দিপার্টমেন্ট অসিগী মহৈরোইশিংনা হেন্দ সেনিটাইজর শারিবা লেবোরেটরি কা অমা খল্লগা লৈবা ইন্সত্রুমেন্তেল রুমনি। ঙরাং অসি দিপার্টমেন্ট অসিগী মহৈরোইশিংনা *...মখা লমায় ৩দা...*

# য়ুনাক্কো গ্রুপনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এস পিগী টিমদা চান–থক্লবা পোৎলমশিং মতেং পাঙখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (এস এন এস)ঃ কোভিদ–১৯ লাকশিন্নবা অমদি মীয়ামদা ভাইরস অসি শন্দোরকপা থিংনবগীদমক ফ্রন্টলাইনদা থবক তৌরিবা মণিপুর পুলিস পার্সোনেলশিংদা য়ুনাক্কো গ্রুপকী মেনেজিং দাইরেক্টর নিংঙোম্বম ইরাবন্তগী মীৎয়েং মখাদা গ্রুপ অসিনা মতেং পাঙলকপগী মখা চথরকপদা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী সুপরিনটেন্দেন্ট ওফ পুলিস অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক পুলিস কমান্দো য়ুনিটতা চান–থক্লবগী পোৎলমশিং মতেং পাঙখ্রে।

য়ুনাক্কো গ্রুপকী মায়কৈন্দগী পীখিবা তেংবাং পোৎলমশিং অদু সুপরিনটেন্দেন্ট ওফ পুলিস, থৌবাল এস ইবোমচাদা খূৎশিন্নখি। ষ্টেট অসিদা কোভিদ–১৯ থেংননবা হোৎনবা অমদি তমথিরবা ভাইরস অসি মীয়ামদা শন্দোহন্দনবা হোৎনবদা ফ্রন্টলাইনদা থবক তৌরিবা মণিপুর পুলিসকী পার্সোনেলশিংনা লৌরিবা থৌদাং অদুবু শকখঙবা ওইনা য়ুনাক্কো গ্রুপনা চান্ন থক্লবা পোৎলমশিং অদু মতেং পাঙখিবনি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কমান্দো য়ুনিটতা মতেং পাঙখিবা পোৎলমশিং অদুনা সি দি ও থৌবালগী ও সি নিংঙোম্বম সদানন্দদা খূৎশিন্নখি।

এস পি থৌবালগী ওফিসতা মতেং পাঙখিবা পোৎলমশিং অদুনা চেঙ বেগ ৩, থুম বেগ ১, *...মখা লমায় ৩দা...*

UNACCO SCHOOL
Excellence in Education
Khongman Zone-III, Imphal East, Manipur




PROVISIONAL ADMISSION TO CLASS XI SCIENCE
(SESSION 2020-21)
Has Been Started...

Online Classes will start from 1st May, 2020.
Desirious Students/Parents can contact School Office from 9 a.m. to 4 p.m for Enrollment

For Details : +917085410354/8131070337/9436849647
Email : info.khongman@unaccoschool.in/ Info.unaccoschool@gmail.com